ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯥꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯴, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জান্যুৱারী ১৪, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২৭৮ শুবা মশীং

# টেররিষ্টকী থৌওংনি

## *লৈঙাক্না মনিং তমহনবদগী থোরকপা থৌদোক্নি*

***য়ুনাইটেদ*** নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না চথরিবা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ মনুংসিদা ষ্টেট অসিগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পামদবা থৌদোক কয়ামরুম মথং-মথং থোরক্লি। মীয়াম্না খঙই মদুদি মণিপুর লৈঙাক্না হন্দক্তা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকপশিংগী মনুংদা য়ু এন সীগুম্না এন এস সী এন (আই-এম) সু অমনি। মতম শাংনা নাগাগী লম শোকপা য়ারোই হায়না শিখাং খাঙদুনা লৈরকপা পল অমা হন্দক্তা লৈঙাক্না কৌখাইরকপদা লৈতাবা ঙল্লক্তবদগী য়ু এন সীসু মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমনি খঙনা-খঙনা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি চথরকপনি। অমরোমদা এন এস সী এন (আই-এম) না মণিপুরদা সিজফায়র য়ৌহন্দবগী খুদোংচাবা লৌরগা ঙাইহাক লৈতনা ষ্টেট অসিগী টেরিটোরি মনুংদা ক্রাইম কয়ামরুম চথরি। ক্রাইমশিং অসি থেংনবগী থৌদাং মণিপুর লৈঙাক্কীনি। অদুবু এন এস সী এন (আই-এম) গা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকা সিজফায়র তৌনরিবনা গভর্ণমেন্ট অসিগী মখাদা লৈবা আসাম রাইফলস, আর্মি, বি এস এফ অমদি পেরামিলিটরি ফোর্স অমত্তনা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱা তাদবদৌনা তৌই। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না এন এস সী এন (আই-এম) গা আসাম রাইফলসকা নকশিন্নবা মরী লৈনৈ। করিগুম্বা মতমদা মখোয় পুল্লপ পুন্না থবক তৌমিন্নৈ হায়না ঙাওনবা ফাওবা লৈ। লো এন্দ ওর্দর ঙাকপনা মণিপুর লৈঙাক্কী ওইহল্লগা আই-এম থেংনবদনা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱা তাবীদবা নৎত্রগা সেন্টরনা মতেং পীদবা হায়বসিদি মণিপুর লৈঙাক অমসুং মীয়াম তপ তানা ওৎকে হায়না খনবগা চপ মান্নে। মণিপুরদা ওপরেট তৌরিবা খুৎলায় পায়বা আই-এমগী কাদরশিং লাকশিনবা হায়বসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকীসু তঙাইফদবনি হায়না খল্লক্তবদগী হৌজিক্তি নোংমা-নোংমগী আই-এমনা মশোং ফল্লক্লে হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবনি।

চৎলিবা জান্যুৱারী ১২ গী নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল-জিরি লম্বীগী নোনে পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লুখম্বী পার্ট টু ময়াদা আই-এমগী কাদরনি চিংনবশিংনা এম্বুশ তৌরক্তুনা মীচম অমা হাৎখি, অতোপ্পা অহুম্না শোকহনখি। জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না পোৎ-চৈ পুদুনা থোরকপা কনভোই মরক্তা এম্বুশ অদু চথরকখিবনি হায়না মীয়াম্না লৌনবনা খুৎলায় পায়বশিং অদুগী এম্বুশ অদু টেররিষ্টকী থৌওংনি হায়দবা ঙমদে। তৌবতদি কনভোই মরক্তা য়েপ্পল্লকবসু রেনোল্ট দষ্টর গাড়ীদা অতম্ননা মায়কৈ অহুমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা থৌওং অদু নুংদা করি লৈবগে হায়বদুমদি হৌজিকসু থিদোকপনা চুমগনি। অদুবু হায়রিবা মফম অদুৱাইদা ঙাইহাক লৈতনা আই-এমগী কাদরশিংনা অফবা মখলগী নোংমৈ পায়রগা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরদা অচৌবা চৈফু অমা পীদুনা লাকই হায়বসিমদি মীয়ামসু খঙই। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা মার্চ থাগী ৪ অমসুং ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলদা পামদবা থৌদোক কয়ামরুম থোক্লকপা য়াবগী ঈঙ্গিৎ পীরি। ফীভম অসি লাকশিল্লগা থম্বা হায়বসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মথৌ ওইজরবসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৈথোক্তুনা চেনবা য়ারোই। মীখল পাঙথোকপদা চূনবা মখলগী এটমোস্ফিয়র অমা লৈহন্নবগীদমক নোনে অমসুং মসিগী মনাক নকপদা লৈরিবা আসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংগী থবক মতৌ হোংদোক্লনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবশিংদা পাউতাক পীগদবনি। মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌরগা ষ্টেট ফোর্সনা করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রে হায়দুনা খুবাক খুরগা নোকপগী মহুত্তা মখোয়সু লৌফম থোকপা থৌদাং লৌহনগদবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মশোং ফনগৎলিবা আই-এমগী কাদরশিং অসি লাকশিন্ননবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থবক তৌগদবনি। হৌজিক্না দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর ওইরবা নোনেদা আই আর বি অমসুং মণিপুর পুলিস কম্মান্দোগী পার্সনেলশিং খুদক্কী ওইনা দিপ্লোই তৌগদবনি অমসুং পাক শন্না ওপরেসন চথনবা য়াথং পীগদবনি। নহা ওইরিবা পুলিস কম্মান্দোগী পার্সনেলশিংদা মথৌ শঙগদবনি অমসুং ষ্টেট অসিদা শীংনরকপা খুদিংমক থেংননবা থৌদা পীহন্নিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### মীখলদা খনগদৌরিবসি অফবা মীহুৎলা, পার্টিরা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***খুন্নাই*** অসিগী অফবা, চাওখৎপা অমদি অওনবা পুরক্লবা হোৎনবদা লমদম অসিগী লুচিংবা খনগদৌরিবসি অফবা মীহুৎলা নৎত্রগা অফবা পার্টিরা হায়বসি লমদমসিগী মীয়াম্না কুপ্না খন্থবা মতম ওইরে। অফবা লুচিংবা লৈরবা মতমদতা চাওখৎপা অমদি অওনবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী ৱাখলদা লৈরবসু কমদৌনা অফবা লুচিংবা খনগনি হায়বদি অমত্তা খঙনদবগুম তৌই।

মণিপুরদা লিশাংশিংনা মীয়ামগী লুচিংবা ওইদুনা লাক্লিবা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সি ৬০ গী মীহুৎশিং অসি মীয়াম্না মহাও তংবা য়াবা তংখ্রবা ঙাক্তনি। মীহুৎশিং অসিনা মীয়ামগী করি অফবা থবক তৌখ্রবগে? এসেমব্লিগী মীফমনা মীয়ামগী ওইবা করম্বা অফবা ৱাফম পুথোক্তুনা ৱা ঙাঙখ্রবগে? দেমোক্রেসিনা পীরিবা চহী মঙাগী মমল য়ামখ্রবা মতম অসি লুচিংবা ওইরিবশিং অসিনা করি করি তৌখি হায়বদু মশা মশাসু খঙদবগুম তৌই। লোয়ননা মীখলদা ভোট পীরিবা মীয়াম্নসু খঙদবগুম তৌই। মহাও কয়ারক হন্না তংখ্রবা লুচিংবশিং অসিনা পোলিটিকেল পার্টি অমদা চহী কয়া লৈরল্লবা মতুংদা মশাগী খুদোংচাবা ফংদবা মতমদা অতোপ্পা পার্টি অমদা চোঙশিনখি। হান্না য়াওরম্বা পার্টি অদুগী ফৎতবা পূম্বা কুপশিল্লগা অফবা শাদুনা ঙাঙখিবা কয়া কাউথোকখ্রগা নৌনা চঙলক্লিবা পার্টি অদুবু অমুক অফবদৌনা থাগৎপা অসিদা ইকায়বা খঙদবগুম তৌরিবা অসি লুচিংবা অমগী চপ চাবা মগুন নত্তে।

লুচিংবা হায়বসিদি খুন্নাই অসিগী মীয়াম পূম্নমক্কী থম্মোয়বু শুগ্মৎপা ঙম্বগী মথক্তা মখোয়না পাঙথোকপা থবকশিং মীয়াম্না য়াহনবা চঙই। মীয়াম্না য়াদ্রবসু মীখল ময়াদা শেল পীদুনা লৈগনি হায়বা ৱাখল অসি করিদগী থোরক্লিবনো হায়বদু ভোটর খুদিংমক্না খন্থবা মতম ওইরে। ঙসি ঙসিখক্কী খনবগী মহুত্তা তুংগী মীরোলগী খনবা মীওইশিং থোক্লকপা মতম য়ৌরে। চহী ৫ না খুন্নাই অমা হোংহনবদা লৌরিবা থৌদাং অদু খঙমিন্নদুনা পার্টি নৎত্রগা মীহুৎ করম্বনা হেন্না ফবা তঙাইফদবগে নৈনহৌরসি।

*অদোমগী - নিংথৌজম জয়, হৈরোক পার্ট থ্রি*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯

১। ‘নুংশি ৱাখৈবা’ উপন্যাসকী অইবদু কনানো?
২। ‘থোঙ লোনখ্রবা পান দুকান’ ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?
৩। ‘‘অদুবু ঙসিদি / য়েকপা ঙমদরে মী অমদি শাগী খেন্নবা’’ ৱাহৈশিংসি অইবী কনানা হায়বনো?
৪। 'Iris of the Sky' হায়না ইংরাজিদা শৈরেং লাইরিক অমা হন্দোকপা হন্দোকলোয় অদু কনানো?
৫। ‘ঈশৈ অমতং নঙমুক ফজবা’ ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ২০, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

লিটরেরি ক্যুইজ ৩৯ অসিগী অচুম্বা পাউখুম মশীং য়াম্না চুম্না থারকপা মীওই য়াওদবনা ক্যুইজ অসি অমুক হন্না পাউখুম পীবিরক্লবা মীয়ামগী মফমদা থমজরি।

# থেম্বা নুংঙাইবা থেম্বুং তাদৌরিব্রা?

**ৱাইরু ৱাইরুবদা হোঙবা**



***মীখলনা*** শেম্বা লৈঙাক ইন্দিয়াদা লৈরকপা চহী ৭০ শুদৌরেয়ে। নহান চা থকফম অমদা শগুপ শায়হৌবা মতম অমগী পোলিটিসিয়ান অমনা ঙাঙহৌবনি। থোইনা তানীংদে, অদুম চা গিলাস অদু অহুম্লক চূপ্লগা থোরক্লে। অদুদা তারকপনি ইন্দিয়াদা মীখল লৈঙাক চহী ৭০ শুরক্লে হায়বা য়াৱা অসি তারকপা।

থোইনা চহী মশীং থীরুবা লৈতে তন্দনা। হামু হামু লৈঙাক অমা লৈরি হায়বুদি অদুম মখঙবা অদুগী মরমদদি থোইনা নৈননীংবা খোৎননীংবা ফাওরুদ্রে। লৈঙাক অমা করি অমা অদুক লৈরি হায়বা অদুবুদি চাউরাক্লা খঙদুনা লাকই অদুগা মসিমক্লা ঐখোয়দা করি থোইদোকপা অনৌবা অহেনবা নুংঙাইবা অমা ইপী পীদবদৌনা তৌবা অসিদা না ওইরুবদগী ৱাদনি।

চহী ৭০ মীয়াম (মীখল) লৈঙাক লৈরক্লে হায়বা তাবদা এহ নহাক্তি চহী ৭০ ৱানা হিংলবোইরে হায়না হংলকপগা য়াওদৌবা মাল্লি। চহী ৭০ লৈঙাক লৈরকপা হায়বগা চহী ৭০ ৱানা ওৎতুনা নৈদুনা, খোয়দৌ শীক্তুনা, চরা হেন্দুনা মীৎ কুৎতুনা, চহী তৎতুনা, চাখাও হাঙদুনা, চৈতুপ চাদুনা হিংলক্লে হায়বগা ৱাহন্দোক মান্নবগী ৱাফম লাক্লে। খল্লুবদা ইকায়বদগীদি খোয়দৌ বৃ বৃ হেক শাউগৎপনা হেল্লি।

শাবাশ! হাকুম চহী ২০১৬ অদু বন্দ নুমিৎ ৩৫৬ নি চৎথখি হায়বা পাউচেদা পাবা ফংজখি। নুমিৎ ১০০ নি হাপচিল্লবদি চহী অমদি বন্দ তৌদুনা গিনিস রেকোর্দ চনবা য়াবনি। হৌজিকসু মসি থাগৎফম খঙনা থাগৎলুরবদি গিনিস রেকোর্দ নৎত্রগসু লিমকা বুক ওফ ৱর্ল্ড রেকোর্দতি চনবা ময়াবজাৎনি। লৈঙাক ফবগী খুদমনি, নুমিৎ ৩৫৬ নি বন্দ তৌই হায়বগী ৱাহন্থোক্তি, লৈঙাক ফৎতবা মফমদদি বন্দ ব্লোকেদ তারোই, লৈঙাক ফরবদি বন্দ ব্লোকেদ মরাঙ কায় হায়বা তাবনি... অসি হায়বনা চুমদৌবা মাল্লক্লে।

রুলিং পার্টিনা হায়রি চাওখৎলে, চাওখৎলে... মপান লমদা লাইরিক তম্বা চৎখিবী মচানুপীনা লাইরিক তম্বা লোইরগা ময়ূমদা হল্লকপদা চাওখৎপা হেনমল্লমদনা ময়ূম তাবা লম্বী খঙদ্রেকা হায়বগী ৱা লাক্লে। চাওখৎলে চাওখৎলেদি হায়রগা শিন্নীশিংগী খূৎশুমল মতম চানা পীথোক্তে, নোংমা কাংদনা বন্দ তৌরি, থাউগী ক্যু লেপহল্লি, এ টি এমদা ক্যু লেপহল্লি। শেগায় শেগায়রবা স্কুল, কোংকুৎ কোংকুৎনা থল্লবা লম্বী, লৈখোম্না পুৎথরবা লম্বী, ঈথৈ লৌখোং পীবা ঙমদ্রবা পাক্লবা লৌবুক, লোইশিনবা ঙমদ্রবা মায় পাকত্রবা স্কিম অমদি প্রোজেক্ট কয়া শাবগা তেকপা, নীংখায়বা বিল্ডিং অমদি থোং কয়া অসি চাওখৎপগী খুদম ওইনা পুথোক্কদ্রা? অদু ওইরদি চাওখৎপা হায়বদু শেংলে হায়বা য়াই, ফজবা ৱাফমনি। পুং ২৪ মৈ ফংহনখিবা চহী ফাদ্রি। পি দি এস মায় পাক্তে। মীয়ামদা মমল তানা পীগদবা চেঙ লোন্না য়োম্থোক্লগা মীয়ামদা তাঙনা লৈহল্লি। মীয়ামদা থবক পীবা ঙমদে। করপসনগী চাং ৱাংখৎলে। কাঙলুপ মশেল উংখৎনবা হেনগৎলক্লে। নুমিৎ খুদিং মীয়ামগী পেন্দবা ৱাকৎ অমা নৎত্রগা অমনা লম্বী থিংলে। নুপী অঙাংগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনবীরবা মদুগী ৱায়েল ফংবা লৈরক্ত্রে। মসি মসিগুম্বা ময়াম ঐনা হায়বদা চিথহৌবা কয়া লৈরমখিনি। ময়াম অসিনা ঐখোয়গী চাওখৎপগী খুদম চাংদম ওইরগদি ঐখোয় অসি য়াম্না শাথিনা চাওখৎলবা মীওই কাঙলুপ হায়বা অদু ওইরে হায়বা য়াই। মসিরা লৈঙাক্লা চাওখৎলে হায়না লাউরিবা অসি? লৈঙাক পার্টিদা য়াওরম্বা মী অদুনা ওপোজিসন পার্টিদা হেক য়াওখিবা ঙাইহাক লৈরগা লৈঙাক ফৎতে লৈঙাক ফৎতে হায়না হায়না হেক্তা পোরোক শোনবা হৌরক্কনি। ওপোজিসন্দা হেক লৈরবদি ফরবসু ফৎতে হেক্তা হায়বী অসি চৎনগুম্না তৌরি।

অচুম্বা অফবা অশেংবা হায়বা অসি অহায় অহায় চুম্নবগী মওংনি। অসুম্বা মরক অসিদা মীয়াম অসিনা খরা থকহৌ-চাহৌ-লৌহৌরগা লোইরে খন্নদুনা থকহৌনরি, চাহৌনরি... অদুগা ভোট পীরি। ভোট লেপ্লিবা মখোয় অসিনা খল্লিনা মীয়াম্না ভোট হেক থাদদ্রবদি মখোয়না ভোট কারোই হায়বা অসিনি। মীয়াম অসিনা থেম্বা নুংঙাইবনে মখোয়দি মতোল পুরা থোক্লবনি। থেম্বা নুংঙাইবা পুকচাওবা ময়াম অসিনা হয়েং বন্দ ময়াম অমা তৌরসু পীজ পীথক ফবা মখোয়নদি হয়েং মখূৎ চনখ্রকান্দদি মৱা লৌবীরোই হায়বা নৎতনা করি হায়রুনি।

# লাইরিক থেনবা য়েংলুবা

**নবকুমার ওইনা**

***লাইরিক*** পাদ্রবসু লৈবগী হৈনবী অমদি অদুম লৈনবনি। লৈবু লৈরবদি নোংমা পাবদি শোয়দে খল্লিবনি। লৈবা হায়বসিসু পৈশানিনে। হৌখিবা চহী ২০১৬ কী বুক ফ্যের, লাইরিক থেনবা অদুদি পৈশা-মকু-হুবগী চরাংনবা মরক্তা, ইকনমিক ব্লোকদ তৌরিঙৈ মনুংদা ফজনবু পাঙথোকখি। য়েংলুবগী পাউদম অমদি ফোঙদোক্লিংই।

লাকখিবা মীশিং মখল য়ামখি - অঙাং, অহল, মহৈরোয়, ওজা, লাইনীংবা, রিছার্স তৌবা, হোবীগী, নাটকী, লৈঙাক্কী, য়ূম্বাল্লোনগী, ফিল্মগী, আর্টকী, লোগী, সাইকোলোজিগী, ফিলোসোফিগী, অশৈবশিংগী শৈলোন মখল কয়াগী লাইরিক থেনখি। অৱাৎপা কয়া অমদি য়াওরমগনি, মালেমগী লাইরিক লোয়নমক লাকউ হায়রুবা য়াবা নৎত্রি। লৈদি লৈনদনা থেনবা তারবসু কমদৌবা, পৈশাগী ৱানি। পৈশা ইপায় পায়নদবা লমদম ওইরবদি থেল্লবসু লৈনগন্দবা হায়বা অমসু য়াওরিবনি। মায় ঙাকপদা লুপা লিশীং মরি-মঙা লোয়খিবা খঙহৌবা নত্তে। পনবদি কয়া ফজদবা, মী কাঙলুপ খুদিংগী হৌ-হৌ তৌদুনা তিনবদি উখিদে। মপান লমদা কৈথেল কাখ্রবা জাৎলা নৎত্রগা হান্নবা লাইরিকশিংসি লৈখ্রবা জাৎলা অমদি শোয়দনা তৌরল্লগনি। লাইরিক পাবগী থবক হৌদ্রিবা নৎত্রগা লাইরিকশিংসি পাবা লোইনখ্রবা জাৎলা ৱাখলদা মওল-মওল খল্লকই। পাগনিদি খনবা পাবদি ফজনা হৌদ্রিবা ঐখোয়গুম্বা ঙাক্তা ঙায়রবদি খুন্নাই অমদি লৈখায় তারবা হায়বদুমা শুকওই ওইরোইদৌরিবনি। চহী লিশীং কয়াগী মমাঙগী ৱারী-লাইরিক ময়াম'মা য়াওরি। চহী চাম্মা-চনিগী মনুংদা খৎনখিবা শাওনখিবা নীংশিংনদুনা লৈবা, লাইরিকশিংসি পাগনিদি খঙনদ্রবদি লম্বী থৎপা, গাড়ী মৈ থাবা, গাড়ী হুরানবা, পোৎ হুরানবা, ষণ হুরানবগী ৱাথোকশিংসি অদুমক হিংখিবা তারকপনি। দুর্গা পুজাদা, য়াওশঙদা হুরানবা য়াওরকপা ঐনা হুরানবগী লাইরিক ঙাক্তা পাগনি হায়রবদি করম্না হুরানবা তোক্কদৌবা। লাইরিক পাদ্রবদি মীশিংসি মশক-ইশক খঙনরোইদৌরি।

লাইরিকশিংদু থম্বদা নোর্থ-ইষ্ট হায়না কাঙলুপ খায়দোক্লম্বা য়াওই। ফুরুপশিংগী লাইরিক ইবশিংনা ফুরুপ খায়দোক্লিবরা, খায়দোক্লদনবা মীয়ামগী মান্নবশিং খোমজিল্লগা ইরিবরা খঙবা ঙমশিল্লক্তে। লাইরিকশিংদু মুন্না য়েংলগা লেপখি, ৱাখলদা তরং চৎখি। লাইরিক লোয়নমক লৈরগা পাবসু ঙম্বা নত্তে। লম্বীদা গাড়ী মৈ থাবগী মৈরক্তা লাইরিকশিং তাশিনখিবগুম মিত্তা উরকই। লম্বী থৎলিবশিংদুনা লাইরিকশিংদুবু কয়া পারমগদরনে? লাইরিকশিংসি অরানবা য়াওরবা জাৎলা? য়াওরম্বসু য়ারিবনি, ইরগা ফোংলগা লোয়নমক চুম্লগনি হায়বা লৈতে। পুয়াদসু শেমজিনবা য়ানশিনবা অদুম য়াওরিপোৎনি। লাইরিকশিং অসিনা মরোল থোক্লক্কদৌবদি মীয়াম্না পারবা মতুংদনি। লৈবু লৈনদ্রবদি অমুক পানখিরোইদৌরিবনি। লাইব্রেরিদা ইচঙ চঙনদবা মীয়াম অমদি লৈরগা পাগনি হায়বসু অমুক লুরিবা ৱানি। মদুসু পৈশাগী ৱা য়াওরিবনি। পারবসু পাদ্রবসু লাইরিক ইগদৌবা য়াম্না ৱাৎলি, ফোঙগদৌবা পল্লিসরদি লৈরে হায়ববু য়ারে।

লাইরিকশিংদু মমল য়াম্ল-য়াম্লবা য়াওরি। মপান লৈবাক্কী লাইরিকশিং উবদা ইকায়বা পোক্লকখি। ঐখোয়না পল্লিসর লৈতবগী, বাইন্দিংগী ৱা ওইনা ঙাঙনরি। দেল্লিদা লৈবা মণিপুর মচা অমনা পল্লিসর ওইনা লাইরিক ফোঙবা হৌরে হায়রকপদা কয়া নুংঙাইখিবা। লল্লোনবগী শেন্দোংগী ৱা নত্তবদা থবক্তা অপনবা লৈতনা তৌবা য়াবদুগীনি। লাইরিক পাগে হায়রবদি পোথাং পুবা য়াওরুবা ওইরবসু পৈশা তাল্লগা লাইরিক লৈবা তারি। নূং থুগায়বা, লৈঙোই পেকপা য়াওরুবা তারি নৎত্রবদি লাইব্রেরি লৈতবা লৈকায়দা লৈরুবগী অদুমক পঙবা তারক্লি। য়াম্বদি নত্তবা লমদমসিগী লাইরিক অমা-অনী তরক-তরক লৈরগা হনখিবা কয়ানি। মখোয়না করিবু খল্লিবা, য়েংহৌরিবা ঐনা হেন্না চমম্নবা পোকহৌরি। মী লোইনমক লাইরিক পাবদি নৎত্রি, পারিবশিংনা খুন্নাই অমবু লমজিংদুনা পুববু ঙল্লবরা হায়বা ৱাহং লাকই। ঐখোয়গী খুন্নাই অমা মপূং ফানা শাগৎপা ঙম্নবা লাইরিকপু লৈরবরা খল্লকই। ঐখোয় লাইরিক পাবা ৱাৎলি হায়গদৌবরা, লাইরিক ইবা ৱাৎলি হায়গদৌবরা? অনীমক ৱাৎলিবরা? ঐখোয়না মীরৈবাক কয়াগী মরমদা লাইরিক কয়া ইখ্রবগে? মীরৈবাক মচাশিংনা ইরম্বা লমদমসিগী লাইরিক ময়ামসি লোয়না লৈববু ঙমদ্রি, পাদ্রি। থেল্লিবা লাইরিক ময়ামদু লোয়নমক লৈবা নৎত্রগা পারুবা ঙম্বা নত্তে খনবদগী খূৎনা অমুক্তং ওইরবসু শোক্লমগে খল্লকখি, শোক্লমখি। মদুনা পেম্থোকপদি ঙমদ্রি, লাইরিক মচা খরদি লৈরকখি, অনী অহুমদি পাবা লোইরে, পাদ্রিবশিংসু তপ্না তপ্না পাবা হায়বদুনি।

স্কুল কোলেজগী লাইরিক ময়াম য়াওই, লৈনখি। য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্স তৌবগী লাইরিক কয়া হংনরকই। নুংঙাইরিবদি লমদম অসিগী অরিবা লাইরিক কয়া থিনরক্লি। মশানা মশা মশক খঙনরমদ্রবসু নৌহৌননা থিগৎনরক্লিবা অসিমক্তি নুংঙায়বা অমনি। তশেংবদি স্কুল, কোলেজ তম্নরিবসিদি লাইরিক পাবা থোক্লবনি, লাইরিক পাবা হৌদ্রিবগুম্বনি। ক্লাস অমা লান্নবা, থবক অমা ফংনবা লাইরিক খরা পাবনদি লাইরিক পাবা কৌবা য়াদ্রি। লাইরিক ময়ামসিগী কান্নফম করি ওইগদৌরিবনো? অপীকপা ইচা-ইশুশিং কয়া পুরগা লাইরিক য়েংহনবা লাক্লিবশিং উরগা হেন্না নুংঙায়রিবদি অঙাংশিং অদুনা চাউরক্লগা লৌরক্কদৌবা থৌদাংদু য়েংনিংবা, মদু ঙায়বদা ৱারকপগী ৱাখলদুনি। মতমদু ঐখোয় খরদি হিংলরোইদৌরিবনি। নোংমৈগী লানশিংদি লোয়বা নাইগল্লি, নোংমৈগী লান অদুসু লাইরিক্কী মখা পোল্লকই। লাইরিক্লা পুরকপা অওনবা অদুগী অরোয়বা শক্তমদি কনানসু উবা ঙমগদৌবা নত্তে।

লাইরিক্কী মমল ঙাওনবদা ব্লোকেদ তৌবদগী ত্রান্সপোর্টতা লুপা লিশীং মরি-মঙা হেন্না চঙখ্রে, কম্মিসন য়াম্না পীবা ঙমদ্রে হায়রকপা য়াওরকখি। ব্লোকেদনা পীরিবা চৈনাসি ৱাখল লৌশিংদা লৈখায় তানবা হোৎনবদা চৈথেং কয়া পীরি। লাইরিক পাবদি মখল খুদিংমক্কী পাবা তারকই। পারগা খঙলক্কনি, পারগা হৈরক্কনি, ৱাখল লৌশিংদা মখল খায়বা য়াবা নত্তে, হিরম খুদিংমক্কী খজিক-খজিক্তা ওইরবসু খঙবা তারক্লি। নৎত্রবদি লাইরিক পারিবশিং কাঙলুপ খায়দোক্লরক্লে। হিষ্টোরি, জিওগ্রাফি, আর্টস, সাইন্স সবজেক্ট তোঙান্না তম্লকপশিং ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নবা য়াওরক্ত্রবদি মী মরক্তা কাঙলুপ খায়দোক্লবগুম লাইরিক পারিবশিংসু মাগী মাগী সবজেক্টকী মিংদা কাঙলুপ খায়দোক্লরিব্রা? কাঙলুপ খায়দোকপদা লাইরিক্লা মতেং পাঙশিল্লবরা? খরগা হেন্না লাইরিক পারবশিংদি কাঙলুপ হায়বা লৈরক্ত্রবনি। রিদিং মেক্স এ মেন পর্ফেক্ট হায়রিবনি, পাদ্রিবশিংনা পর্ফেক্টনি হায়রকপা য়ারিব্রা? লাইরিক পাবদি মান্দবা লুচিংবা ময়াম থোক্লকপসু মাল্লক্লি। লাইরিক পাবদি লায়রি, মীনা হায়বসু তাদবা ময়াম য়াওরকপগুম তৌরক্লি। হায়না হায়না লাইরিক থেনবগী থৌরমদি ব্লোকেদ মনুংদা অদুমক লোইশিনখি, থিংবদি ঙমখিদে। ইকনমিক ব্লোকেদকা লাইরিক থেনবগদি মরী লৈনদবনি, লাইরিক্লি হায়রবদি ফ্রি থানরক্লবদি মীওইবা খুন্নাইগী অৱাংবা থাক অমদা লাকপনি হায়নগনি।

কুমজা ২০১৬ কী বুক ফ্যের হৌখিবশিংগা খরা খেন্নবা উখি। অইবশিং উনবা, ফিল্মগী আর্টিষ্টশিং উনবা, শুমাং কুম্মৈ মতেক-মতেক, শৈরেং শৈদিন্নবা, তোঙান তোঙানবা পার্সনেল্লিটিশিং উনবা, সেমিনার, লাইরিক ফোঙবা, দিবেট, সিম্পোজিয়ম, থাঙ-তা, পেন্টিং কম্পিটিসন কয়াগী মথক্তা লাইরিক হায়বা-থিবা, উনবা, নট ঈশৈ, খোংজোম শৈশক তাবা, মোইরাং কংলৈ তাবা, পেনা শৈশক, ফিল্মনচিংবা য়েংথোকপা য়ারক্লি। লাইরিক্কা মরী লৈনবা, লোনগা মরী লৈনবা থিনরকপা য়াওরকপা য়ারিবনি। রসিয়ান লোন, চাইনিজ, জপানিজশিংগী লাইরিক্কা মরী লৈনবা ৱারী-ৱাখোঙশিং তানিংলকখি। স্পেস এক্সপ্লোরেসন, ষ্টার ৱার, দি ক্লেশ ওফ ফয়ার, প্লানেট ওফ দি এপস, ৱাটর ৱর্ল্ড, হেলেন্দ ওফ ট্রোই, বেনহুর, মেকবেটগুম্বা ফিল্মশিংগী মচি অমদা কাপ্লগা অঙাং ময়াম লাকপা য়ারিপোৎনি। লাইরিক্তু লৈদ্রবসু পাবা লোইরগা হলহনখিবা হায়বা তারে। মোবাইল ফোন্দা য়েংনরম্বদি য়ারে, ফিল্মদু লোইরগা এনালাইসিস অমা পীদুনা ক্রিটিসিজম য়াওবা ৱাফম কয়াগী রিদিং মেদিয়মদগী ভিজুয়েল মেদিয়মদা ওম্থোক্লুরক্লিবসি নৈনবসু য়াগনি খল্লকই। মরন্নাই য়েংবগা খেন্নহনগদৌবনি। ইন্টরটেন্টমেন্ট ওইরবসু পর্সেনিলিটিদা য়ূম্ফম ওইবা, লাইরিক ইবা অমসুং পাবগা মরী লৈনবশিং থিবা তারকই। ফিল্মগী আর্টিষ্টশিং য়াওরে হায়দুনা ফিল্মদা বেজ তৌগদৌবদি নত্তে। ফিল্ম ইবা অমসুং ফিল্ম শেম্বগী লৌশিং থিবা তারকই। ফিল্ম ফেষ্টিভেলগা খেন্ননবা থিবা তারকই, ফিল্মগী নৈনবা লোয়বা নায়বদি নত্তে। লমদমসিগী মেগাজিনশিংগী অৱা-অনা মরায়বক নৈনথোকপসু য়ারিবা অমনি। তৌবু তৌগে হায়রবদি তৌরিবসি মঙায়, য়েন মরুমদগী ঙানু মচা ওইনা ওন্ন-তৈননা তুখায়রকপা য়াবা নত্তে। দি-আই-পি-আরনা করি থৌদাং লৌখি হায়বদি খঙহৌদ্রে। লৈঙাক্কী প্রোজেক্ট-প্লান, ষ্টেটিষ্টিক্কী লাইরিকশিং ইউ-উখিদে খল্লি। এম এল এ, মিনিষ্টরশিংবু লাইরিক লৈবা লাকখিব্রা খঙনদে।

শিল্লি লাংলিবশিংদি থাগত্তবা ঙল্লরোই। তূমদা-হিপ্তুনা চেল্লি চোঙলিবশিংনা অঙম্বা থাক্তা শিল্লিবসিগী হোৎনজমনগী মহয় চারে। মীওই খরদি লৈঙাক্লা স্পোন্সর তৌরগা লৈবাক অতৈদা বুক ফ্যের য়েংবা থাবগী তঙাইফদবা লাকই খল্লি। লম য়েংবা চৎপগী ৱানোম-থৌনোম য়াওদবা রেস্পোন্সিবল ফিক্স তৌরগা, ক্লেসন কয়া পুরগা চৎপা ঙম্বা খনবগী তঙাইফদবা লাকই। মথঙ চহীশিংদদি কান্নবা ফংগনি খল্লি।

ফজবা অহোংবা কয়াগা লোয়ননা মথঙ চহীশিংদা উবা ফংজনবা শিল্লি-লাংলিবশিংবু পুন্সি-নুংশাংনা লৈনবা অনৌবা চহী পুবিরক্লিবা লাইরেম্বীদা থৌনিজরি, ‘মথঙগী লাইরিক থেনবা’ হেন্না ফজহনবীয়ু।